হুইয়েন লানপাউ
য়ুমশকৈশা, জুলাই ১৯, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ১১৫ শুবা মশীং

# বি জে পিদা এম এল এ য়াওবা

## কন্সটিট্যুসনগী ১০শুবা সেদ্যুল্ডদা য়াওরিবশিং য়েংহন্নিংই

**লৈবাক** অসিগী কন্সটিট্যুসনগী মখাদা লো অমখক্তমক লৈজরবসু নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগা অতৈ মেইনলেন্দ ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগগী মরক্তা চপ মান্নবা লো চৎহন্দবগী খুদম লৈ। মরু ওইনা দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা অরুনাচল প্রদেশ অমসুং মিজোরামদা তৌরিবা লৈঙাক পায়নবগী শরৌ লাংশিং অসি দিল্লিদা ওইরম্লগদি কমদৌবা হায়বা ৱাহং হংদবা য়ারোই। ঙসিনা কোংগ্রেস, হয়েংনা বি জে পিদা পুল্লপ ওনশিনবগী কাঙলোন অসি অকক্লবা লো অমগী মখাদা চত্থগদবদা নম্ফু-হাফুদা, তৌনিংবতা তৌবদৌনা চত্থনরি। অসিগুম্বা মওং-মতৌ অসি ওপোজিসন্দা লৈরিবা কাঙবুসু তুমিন্না লৈশিল্লি। লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিগী কাঙবুসু খঙশিন্নদে। খ্বাইদগী হেন্না ঙল্লিবদি লৈবাক্কী মপূ ওইরিবা মীয়াম্না অসিগুম্বা লোগী মায়োক্তা থবক তৌরকপশিং অসি য়াবগুম্বা মতৌ উৎপসিনি। এম এল এ অমা হায়বসি এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অদুগী মীয়াম্না থাগৎলকপনি। মীয়াম্না থাগৎলক্লিবদু কন্সটিট্যুসনগী ৱাহন্থোক্তা য়েংলুরগদি মহাক্কী পার্টি অদুদা থাজবা থমদুনা ভোট পীরকপা ভোটরশিংসু য়াওরল্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। খুদম ওইনা হায়রবদা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অমদা কোংগ্রেস পার্টিনা মীখলদা মায় পাক্তুনা এম এল এ ওইরবা মতুংদা মহাক্লা কন্সটিট্যুসনগী চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা মরন্নাই ওইনা অতোপ্পা পার্টিদা য়াওরে হায়বসি মঙোন্দা কোংগ্রেসকী মী অমা ওইনা ভোট পীখিবা মীয়াম অদুগী ফংফম থোকপশিং মৎলে হায়দবা য়ারোই। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ভোটর অদুনা এম এল এ অদুগী মথক্তা করিমত্তা তৌবা ঙল্লোই হায়না খনবসু চুল্লোই। মতম অমদদি তরাশুবা সেদ্যুল্ডগী মতুং ইন্না পার্টি অমদা কারক্লগা অতোপ্পা পার্টি অমদা য়াওবসি শরুক অহুমগী মনুংদা অমা চোংথোরক্লগদি য়াই হায়রম্মী। মদুগী মতুং তারকপদা এমেন্দ তৌখিবগী মতুং ইন্নদি শরুক অহুমগী মনুংদা অনীনা পার্টি ওর্গনাইজেসনগা লোয়ননা অতোপ্পা পার্টিদা চৎপা য়াই অমসুং লেমহৌরিবা এম এল এ খরা অদুনা হান্নগী পার্টিদু হেনগৎহনগে হায়বদু অদুমক য়াহল্লি। অদুবু মণিপুরদা হৌজিক তৌরিবা মওং-মতৌ অসিদি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী তরাশুবা সেদ্যুল্ডগী মায়োক্তা মখোয় খরনা পংতৌদা তৌবগী থৌওংনি। থৌওং অসি পোলিটিকেল পার্টি খূদিংমক্লা অৱাংবা থাক্তা কন্দেম তৌফম থোকই।

মণিপুর লেজিসলেটিম এসেমব্লিগী তরামাথোইশুবা মীখলদা কোংগ্রেসনা সীট ২৮, বি জে পিনা ২১ ফংখি। এম এল এ মশিং য়াম্না কাজরবসু কোংগ্রেসনা লৈঙাক শেম্নবগী পাম্বৈ লৈখিদে। লুরিবা ৱাফমদি কমদৌনা বি জে পিনা লৈঙাক শেমখিবগে হায়বসিনি। চুম্মী বি জে পিদা এন পি এফকী এম এল এ ৪, এন পি পিগী এম এল এ ৪, ওল ইন্দিয় ত্রিনামূল কোংগ্রেসকী এম এল এ অমা, অমসুং ইন্দিপেন্দেন্টকী এম এল এ অমনা শৌগৎলি। চুংশিন্নবা লৈঙাক্তি হায়জরবসু লৈফম থোকপা ফ্রন্ট নৎত্রগা কম্মিটিনচিংবা অমত্তা শেমদবনা পান্দম অমগী মখাদা লৈঙাক পায়মিন্নবনি হায়বসিদি কনামত্তনা য়ারোই। হেন্না ঙল্লিবদি কোংগ্রেসকী টিকেটতা কারকপা মীওই অমনা এম এল এগী ফমসু থাদোক্তনা কোংগ্রেস ওইনা বি জে পিগী চুংশিন্নবা লৈঙাক্তা য়াওবা হায়বসি লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসনগী মখাদা শেম্বা তরাশুবা সেদ্যুল্ডনা য়াব্রা হায়বসিনি। কোংগ্রেস ওইনা বি জে পিদা লৈঙাক পায়বা য়াওরিবা এম এল এ অমদা মিনিষ্টর ওইহনবা অমসুং অতোপ্পা এম এল এ তরেৎ অমসু তোঙান-তোঙানবা মতমদা বি জে পিদা য়াওরে হায়বসিসু অঙকপা অমনি। কোংগ্রেস এম এল এশিং অদুনা বি জে পিদা য়াওরে হায়রিবদু পার্টি অসিগী ওইবা চেরোল অমত্তসু থোক্তে। সুপ্নতগী মিদিয়াগী মমাঙদা ফোটো কাপ্লগা, ভিদিও ফুটেজ নম্লগা মপাউ তম্বখক্তনি। মখোয়না লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিদা য়াওরে হায়রিবদুসু মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিনসু মশক খঙদে। মখোয় হৌজিকসু কোংগ্রেস এম এল এ ওইনা এসেমব্লিনা লৌদুনা মখোয়গী ফম্ফম ওপোজিসন বেঞ্চতা পীরি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি তরাশুবা সেদ্যুল্ডদা য়াওরিবা ৱারোলশিং কূপ্পা য়েংলগদি কনাগুম্বা এম এল এ অমনা অতোপ্পা পার্টি অমদা দিফেক্ট তৌরে হায়বদু চেরোল অমা থোকপা লৈত্রগসু মহাক্কী লীচৎ অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা লোগী ওইবা থবক লৌখৎপা য়াই। থবক লৌখৎননবগীদমক্তা এম এল এ অদুনা হান্না য়াওরম্বা পোলিটিকেল পার্টি অদুগী মেম্বরশিং, এম এল এশিং নৎত্রগা ইচম চম্বা মীওই অমনসু হেক্তমক মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকরদা দিসক্বালিফাইদ তৌবীয়ু হায়না চে থাবা য়াই। য়াম্না নুংঙাইতবা অমনা কোংগ্রেসতগী বি জে পিদা চেনখ্রে খঙলবা ফাওবদা কোংগ্রেসনা মখোয়বু তান্থোক্ত্রিবসিনি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি লৈঙাক মনুংদা ঈৰাং লাকপদা তান্থোক্ত্রিবা এম এল এশিং অদু কোংগ্রেসকীনি হায়বা ক্লেম তৌবা য়ানবা লৌ তৌবনি। অমরোমদা বি জে পিনসু য়ারিবমখৈ কোংগ্রেসকী এম এল এ মশিং হন্থহন্নবা থৌরাং তৌবনি। অদুবু লৈবাক অসিদা এম এল এ খরনা তৌরিবা মওং-মতৌ অসি তরাশুবা সেদ্যুল্ডগী মখাদা করি-করি তৌবা য়াবগে হায়বা নৈনবা য়াবা মতাং য়ৌরে।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## য়োংলৈ-মেলৈ নামুঙবা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মচাশিংনা** ইমা হায়না কৌবগী নুংশিরবা খোন্থাং, মমানা মচাদা ইবুংঙো-ইবেম্মা হায়দুনা অথোৎপা অমেংবা-খোঞ্জেলগা কোন্না মচাগী কয়াদা ৱাজবা। মপাগা-মচাগা তৎনা-থানবা য়াদ্রবা নুংশিনবগী লৈনবা মরী কয়াদা ফজখ্রবা লিপুন শোয়খিদনবা শেনরিবা থৌদাংগুম লৌবিরিবা লৈঙাক্কী মপূ। থাগৎতবা ঙমদে চাওখৎ খোঙথাংগী পাউনিলখোল' থল্লে অনৌবা মণিপুর ওন্থোকপীরো থবক্তা। হোংদোকখি অরিবা লৈঙাক্কী অনৌবা শায়োল মীতৈ মচাদগী মীরম মচাদা, লমগী ষণনা মচি শাংই, হে অওনবা শক্তম। অশিৎ অৱানথাগী নুংশিৎনা পুবা উফুলগুম, লম্বী ফত্তবদা গাড়ী চৎখিবগী থোক্লকপা উফুল, নোং চুরকপদা সোরোক্কী অকুৎ-অতোংদগী ঈশিংগা কোন্না চাইথোরকপা লৈনাং শেম্বীনবা তমজনীংই লৈঙাক্কী মপাউ পুরিবা খোঙলোইশিং, শেমগৎ শাগৎপগী হুমদুনা পুবিরকলো ঙাইজরি খৌরাংনা থবক্তো। নুংশিরবা লৈনম, ঈশিং ঈচাউগী অপূম অশাগী খুদোলনা লৈরক-খুল্লক, খোঙবাল, পাৎথি-কোমথি, তুরেল-খোংবাল অপূম্বা লৈনম্না লৈকায় পল্লাল্লে । শেংদবা নুংশিৎনা পুরকপা লায়নাগী মহীক শিনবা য়েংশিনবীরো মেদিকেলগী থৌজাল।

কিসি ময়াম থোক্লি, করি য়াওরি য়েংশিন্নবা লাকই মথক থোংবগী পাউথাং য়ৈরি, ফজরবা ৱাহৈগী পাউজেলনা পাক্তক্লনা। তম্বা ঙমদে মীওইবগী পুন্সিগী খোঙচৎ হৌজিক ওইরিবা হোরেন্না করি থোক্কনি, হয়েং করি ওইগনি লেপ্পা ঙমদে তাইবঙগী খোঙচৎ ঙসিগী ফরম্বা ফীভমনা য়াদবদগী ওনখিবা য়াই অদুবু পোলোইদা করি তল্লমগদবা খঙবা ঙমদে পোক্লবদি শিগনি শোয়দনা। নোংমদি শোয়দনা লাক্কনি অমুক নুংঙাইবা অমুক ৱাবা হায়বদি কারবদি অৱাংবা কুমদবা য়ারোই অমুক শোয়দনা। মপান ফরিঙৈ ঐগী ঙাক্তনি শোয়খ্রবদি হনজিন্না চাবা- মসি মীওইবগী চৎনা-পথাপনি কাউফরোই। হিংলিঙৈ মপান ফরিঙৈ শেমগৎ শাগৎপীহৌরো তুংগী মচা মশুগীদমক্তা। নুপা ফত্তবগী চক্রি কনাগী নুপীনা খাঙবা ঙমগনি। অতোনবী পান্বগী মিৎয়েংগী মখাদা চৎখিনবা খাঙবা ঙল্লোই চৎখিনি থৱায়না পোন্থা ওইদ্রিঙৈ। নোংমদি শোয়দনা লাক্কনি ঐগী শরুক অৱাবা পোৎলুম মা-মানা তৌখিবা অচান-মীরাই নাইখিবগী অচুম-অরান ৱায়েলশঙদা। শেমজিন শাজিনবগী ৱাহৈ ৱাতানা কল্লকপা য়াম্মী, শোয়বা ঙাইরি মনুং মতম চানা পায়খৎকদবা থৌদাংশিং কাউবীনু ঐখোয়গী ইরমদম অনী থোকপী ঙাক্তনি। অফবসু ফত্তবসু লুরিবদি অসিনি কাউফরোই।

*অদোমগী - অথোকপম তোম্বা, ৱাংখৈ য়োংলান লৈরক, ইম্ফাল*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৪

১। অরিবা মীতৈলোন ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু :
(ক) তুবী (খ) তেকপী
২। ''কদাইদনো মরাইবক থীরবী মণিপুর/মেলৈ লৈস্না নুংজুমপান কদাম্বদি লৈনুংশি/কদায়দনো নহাক্কী ঈশৈগী মন্দির।'' পরেংশিং অসি কবি কনানা হায়রম্বনো?
৩। ''ঈজৎ মাঙলবনি ফুলন দেবী/ঈজৎ মাঙলবনি বিস্বাস/ঈজৎ মাঙলবনি ভারতকী নুপী/ঈজৎ মাঙখ্রবনি নুপী পূম্নমক।'' পরেংশিং অসিনা অইবী কনানা হায়বনো?
৪। কর্টার সিং দুগ্গলগী ৱারীমচাশিংবু 'থাবলগী চৈনা' হায়না মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?
৫। 'শক্লোনশিংগী শক্তম' কৌবা নৈন-ৱারেংগী লাইরিক অদুগী অইবা/অইবী অদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মীতৌসু তমসি ইশাসু চাওখৎপা হান্না তমসি

**চাইথোরকপা ৱাখল**
**নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

**মালেমসিগী** মনুংদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক অসি অমনা অমদা ইনফ্লুয়েন্স অদুম তৌনৈ। তৌবতবু মশাগী ওইবা ফীরেপ অমদি মশাগী ওইবা ৱাখল্লোন অদুদি মাঙহন্নদে। Wilbur অমদি Orville (Wright মচিন মনাও) না এরোপ্লেন পুথোকখিবসিসু করিগুম্বা পোৎশক অমদগী চাংয়েং তৌদুনা পুথোকখিবনি হায়বগী ৱারী লৈরি। সার ইশাক ন্যুটোননা এপল পাম্বী অমদগী এপলনা কেল্লক্তুনা লৈমায়দা তারকপা উবদা, করিগী এপল অসিনা মথক্তা নৎত্রগা নাকন্দা থোকখিদদুনা লৈমায়দা করিগী তারক্লিবনো হায়না খনবা হৌখি হায়বসি ৱারীদা মচু তানা ইদুনা লৈরিবনি, মদুদগী মহাক্লা মালেমগী চিংশিনবগী শক্তি করিনো হায়বা থিজিন্দুনা থিওরি ওফ গ্রেভিটি পুথোকখি। পূম্নমকশিং অসি মঙোন্দা ইন্সপিরেসন অমা পীদুনা অফবা মায়কৈদা খন্দুনা মতৌ তমখিবনি। মতমদুদা ন্যুটোনবু ঙাওরে হায়না হায়নখিবনি। চপ মান্ননা রাইট মচিন মনাওনা তেলঙ্গা পাইবা উবদগী এরোপ্লেন পুথোক্লবগী ইথিল পীবা হৌখিবনি।

অফবা মায়কৈদা মতৌ তম্বা নৎত্রগা উরিবা অদুনা মঙোন্দা অনৌবা ৱাখল্লোন অমা পোকহন্দুনা মদুনা মীয়ামগী নৎত্রগা অনৌবা সাইন্সকী ওইবা দিসকোভরিগী লমদা চংশিনবদুদি য়াম্না ফৈ। মদুগুম্বা অদুদি মতৌ তম্বা (imitation) হায়বদু নত্তে ইথিল পোকহনবা (inspiration) হায়বা অদুনি। ইমিটেসন অমদি ইন্সপিরেসন হায়বা অনী অসি য়াম্না লাপনৈ। হৌজিক্তি মীগী ঈশৈবু তারবসু মদুগা চপ মান্ননা মতৌ তমদুনা ময়েক ওন্থোক্লগা, শুর খরা থৈদোক থৈজিন তৌরগা মশাগী ওইনা পুথোক্লরকপা য়াম্না থেংনখ্রে, মদুগী মতাংদসু অচৌবা লৈবাক ৱাথোক ওইনখিবা লৈখ্রে। মীগী সিনেমা য়েংলগা মীগী সিনেমা অমা কেরেক্টর মমিং ওন্থোক্লগা নৌনা পুথোকখিবা দিজিটেল ফিল্ম কয়া অমসু লৈখ্রে। মদুনা মণিপুরী সিনেমাগী মায়ওন অসি ফৈজে চৎকদবা খিত্তা ঙাইবদগী হৌজিক্তি মায়কৈ চুমশিল্লকপদা ঙাইরি। মীতৈ মচা লুখমদা মমিৎ পাল্লি হায়না হায়নরিবসে, ফৈনা চৎকে তৌবা য়াম্না থেংনরে। মশাগী ওইবা ৱাখল্লোন অমদি মশাগী ওইবা ফীরেপ লৈতবনা ইরায় লায়না ৱাখল ইচঙ চঙদনা মীতৌ তম্বরোমদা কন্না চিংশিনখিদুনা ঙসিদি ওন্থোকপনিদা হায়বা অদুমক য়ৌরবনি।

মীতৌ তম্বা হায়বসি য়াম্না কিনিংঙাইগী মশকনি। মীতৌ তম্বগী অফবসু লৈ হেন্না ফত্তবসু লৈ। মীতৌ তল্লগা ফাওনি হায়না খনবা মীদুনা হেন্না শাথি। অফবা মীগী মতৌদি তমনীংদবগীরা খঙদে অমত্তা তল্লক্তে। অফাওবা মশক নাইবা মী অমগী মতৌ মপান্থোংগী ওইনা তম্বনদি কান্নদে। মীদুনা ফাওরক্লিদু করম্না কয়াম হোৎনরগা ফাওরক্লিনো হায়বদুনি খঙবদা অমদি মতৌ তম্বদা কান্নরিবদি। মীদুনা হোৎনজরকপা মাগী পুন্সিদা থেংনরকপা হর্দল কয়া অদু মুন্না খঙলগা করম্না পুন্সিদা শিংনরকপা কয়া থেংনগদগে অমদি করম্না মায় পাকপা অমা ওইগদগে হায়বা অদুদি থওইনদে। মদুগী মহুৎতা মা ফাওরে হায়না মাগী মপান্থোংগী ফিজেৎ মতৌ তল্লগা ফাওবা য়ারোই হায়বসি মুন্না খঙনবা ফৈ। মসি খঙবদি খঙনবজাৎনি অদুবু মীগী ৱানা হোৎনজরকপগী অৱাবা অদুদি মহাক মশা ৱানীংদবদগী মপান্থোংগী কুয়োমদা ওইনা ঙাওনবনি খল্লি।

মশক নাইবা আই এ এস ওফিসরশিং, মখূৎ মশা হৈবা খূৎশুবশিং, লাইরিক লাইশু হৈবা মচং ওইবশিং, পুন্সিদা মায় পাক্লবশিংগী মতৌ অমত্তা তম্নদে। মখোয়না করম্না মায় পাক্লকখিবনো হায়বা কনানসু থিজিন্নদে। মী অমনা ফাওরকপদা কল্লকপগা লোয়ননা ৱাথি ঙাঙবদি য়াম্না হৈনৈ। মমাঙঙৈ হেমা মালিনিনা হিন্দি ফিল্ম অমদা শেৎখিবা সারি মচুদু মা মশাদি খঙলমনি থাজদে শ্বাইদদি হেমা মালিনি মচু হায়না ফাওই। মৈনে প্যার কিয়া হায়বা ফিল্ম অদুদা হেরোইনদুনা মঙক্তা য়ানবা ফি চুনিদু শ্বাইদা মৈনে প্যার কিয়া চুনি হানা সেগাক হেক্তা কাই। কয়া য়াম্না পাম্নখ্রবা মীতৌ তম্বনো? ঐখোয়না হায়রিনা মীতৌ তম্মু অদুবু তমদৌরিবা মতৌ অদু অফবদা ওইনা তম্মু হায়বনি। ঐখোয় লৈকায়গী ইনে থোইবিনা শাবা খুদৈ মতেক্তু থোইবী খুদৈ হায়না ফাওদেনে, খুদৈদু কনামত্তনা লৈবিদেনে, মদুগী মহুৎতা লোংগ্রি ওইনা শেৎলি, সেকেন্দ হেন্দগী খোঙগ্রাও হাল্ফপেন ওইনা শেৎলগা লেম্নবদৌনা তৌইনে। মৈতৈ য়োংখমদা শাবা খুদৈ খুরাং শেৎপসি য়াম্না চাওখৎতবা ওইনা খন্নেনে। সিবু করিনো? মীতৌ তম্বদা ঐখোয়গী ইকোনোমিদা শাথিনা শোকহল্লিবা অসিগী মরমদদি কনা অমত্তনা খন্নদে। মতম অমদদি ইমুং অমদা খুদৈসিমক্তদা মরোল নাইনা লৈনরম্মী। ইরুজবদা শেৎনবা খুদৈ ফাওবা ইতুম ফি হায়না লৈনরম্মী। হৌজিক্তি ইমুং অমদা খুদৈ অমা থিবদা ৱানরে। সিবু হৌনরিব্রা? লমগী ষণনা মচি শাংবোই নীংবা, লিপুংনা ষণ শাবগী ৱাখলসি খরা খরা থাদোক্লরবদি ফগদবনি। মীগী মমা মশক ফজবীদু ঐগী ইমা ওইবা য়ারোই হায়বা ৱাসি মতমসিগী মীরোলদা চপ চাবা ৱাহন্থোক খঙহন্নীংই।

মীতৌ তম্বা ঐগী ৱাখলদদি য়াম্না ফৈ। অদুবু তম্বা মতমদা পোৎশক নৎত্রগা মীশক অদুগী মপানথোংগী ওইবা মতৌ অদু তমগদবা নত্তে। মদুগী নুংগী ওইবা মরোল মরোল কয়া লৈরিবা অদু মশক মুন্না খঙলগা মদুদা মীনা হোৎনজরকপা অদু তমগদবনি, অদুগা মপান্থোংদগী অনৌবা শক্লোন অমা শোয়দনা লাক্কদবনি। অদু নত্তদুনা সেরান তুরানগী মতৌ তম্নদুনা লৈনরে। হিন্দি ফিল্মদা নৎত্রগা টামিল ফিল্মদা হেরোনা মখোঙনা কাওবদা মী পাইরগা চৎপগী মতৌদু শ্বাইদা তম্বা য়ারোই। মদু ওইথোকপা য়াবা নত্তে। অদুবু ঐখোয়গী শ্বাইগী ফিল্মদসু মদুগী মতৌ তম্নবা হোৎনা লৈরে। টি ভিগী সেরিএলদা মীবু ওৎপা নৈবা অমদি নুপীবু নুপাশিংগী কম্মোদিটি ওইনা শীজিন্নবগী ঙাইহাক নুংঙাইনবা পংতৌ তৌশিনবগী মতৌ অদু শ্বাইদা তম্নদুনা লৈরে। নোংমা কাংদে, নুপী অঙাংশিংদা তাথি তাওইনা তৌবীবা অমদি ইকায় খুম্নবা মাঙহনবীবদা নত্তনা মথ্বায় ফাওবা লৌবিবগী ফীভমলোমদা লাক্লগদি মদু মীতৌ তম্বগী কান্নবা ওইগদৌরিব্রা হায়বা ৱাহং মশানা থোরকপা তাবনি।

ফিজেৎসু অদু মঙাই হৌজিক্কানগী লৈশাবীসু, পাখঙসু মদু মঙাই জিন খোঙগ্রাও অহনবা মখুউদা নুংনা তক্লগা পাথহনবা, শেগাইবা লং মফোন থোকপদু মতৌ তম্না লৈরে। অহানবদা খুউদা শেগাইরম্বদগী হৌজিক্লা অমুক ফৈগনলোমদা কন্না শেগাইরগা ফৈগন উহনবগী চৎনবীরোমদা কন্না চত্থদুনা লৈরে। মসি অপংবা ঐগী ৱাখলদদি অফবনি হায়না লৌবা ঙমদে। কোরিয়াগী ঙাওশিন্নবা ফৈজিন্নবা মমা মপানা খারবা নহাশিংগী মতৌ তল্লগা শ্বাইদা ফেসন ওন্থোক্তুনা লৈরে। কয়াদা নাতৈ হুকখিদ্রবা মতৌ খুৎতমনো?

অফবা মীগী মতৌ তমসি, ফত্তবদি তমলোইসি, ঐখোয়গী খুন্নাই অসি মাঙলোমদা চৎখৎনবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাং লৈ। চাওখৎপা মতৌনিদি হায়রগা মশা মশাদি অমত্তা চাওখৎপা ঙমদবসি চুমথোকসি। ইশা হান্না চাওখৎহনখিসি। ইশা চাওখত্তনা ইমুং চাওখৎপা য়ারোই, ইমুং চাওখৎতনা লৈকায় চাওখৎপা য়ারোই, লৈকায় চাওখৎতনা লৈবাক অমা চাওখৎহনবা ওইথোক্লোই।

# হল্লক্লরোইদবা খোঙচৎ অমা চৎখ্রবী মেরিএম মির্জাখানি

## (অঙ্কগী নোবেল প্রাইজদি লৈহৌরে, পুন্সিদি কেন্সরনা হুখ্রে)


মেরিএম মির্জাখানিনা অঙাং ওইরিঙৈগী শক্তম অমা


মির্জাখানিগী ওজা কর্তিস মেকমুলেন


মির্জাখানিগী মপুরোইবা জন ভোন্ড্রাক, মচানুপি অনাহিতা অমসুং মির্জাখানি

**সাইন্সকী খোঙচৎ**
**কুঞ্জো নাওরেম**

**নুংঙাইবা অমসুং নুংঙাইতবা** লংদাই অনীগী মরক্তা লেনখিবা নুমিৎনি জুলাই ১৫, ২০১৭। নুংঙাইবনা ঐগী লন্নাইগী ওইবা মায় পাকপগী মতাংনি। অদুবু কুইদে নুংঙাইবগী পি মরক্তা নুংঙাইতবগী পি অমুক শিন্থরকখি। আর্টিকল ইননবা মচাক থিরগে হায়দুনা 'ইমেল' গী ইনবোক্স হাংলুবদা 'অঙ্কগী নোবেল প্রাইজনি হায়না লৌনরিবা 'ফিল্ডস মেদল', নুপীশিংগী লক্তগী ইহান হান্না ফংখ্রবী মেরিএম মির্জাখানি (কুমজা ২০১৪ দা ফংখিবা) খোমগী কেন্সরনা নাবদগী লৈখিদ্রে'' হায়বা সাইন্স দেলিগী ন্যুজলেট্টরদা থেংনখি। কয়াদা নিংঙমখিদে। কেন্সর নহাকসে সৈতান্দগী হেন্না তমথি...। মালেম নহাক্কী তাঙলবা লন অমা মনুং মতম চাদনা হুখিবসিদা নহাকপু নোক্কদ্রনে?

ফিল্ডস মেদল হায়বসি চহী ৪০ গী মখাদা লৈবা অঙ্কগী লমদা হৈথোই-শিংথোইরবা মী অনি, অহুম নৎত্রগা মরীদা চহী মরি খুদিংগী পীবা অঙ্কগী খ্বাইদগী চাউবা মনানি। মসি অঙ্কগী নোবেল প্রাইজনি হায়না শিংথানৈ মালেমদা। ইন্টরনেসনল মেথমেটিকেল য়ুনিয়ন (আই এম য়ু) গী ইন্টরনেসনল কোংগ্রেসতা মসি লান্থোকপগী থৌরম পাঙথোকই। মনাসি কেনাদাগী মমিং লৈরবা মেথমেটিক্সিয়ন জোন চার্লস ফিল্ডসপু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা কুমজা ১৯৩৬ তগী পীবা হৌখি। শেলগী ভেল্যুরোমদা য়েংলুরবদি মনাসি করিসু লৈতে হায়না লৌনীংগনি, মরমদি কুমজা ২০০৬ তগী হৌরগা মনাসিদা কেনাদাগী দোলর ১৫,০০০ খক্তনি পীরিবসি। নোবেল প্রাইজদদি কেনাদাগী দোলর ১৪,০০,০০০ নি। অদুবু ভেল্যুদদি নোবেল প্রাইজগা চাংদম্নে। কুমজা ২০১৪ দা ইন্দিয়াদগী হৌখিবা প্রিন্সতন য়ুনিভর্সিটিগী মঞ্জুল ভর্গভ, য়ু কেগী য়ুনিভর্সিটি ওফ ৱারৱিক্কী মার্টিন হায়ররগা লোয়ননা মেরিএম মির্জাখানিদা মহাক্কী 'Outstanding contributions to the dynamics of Reimann surfaces and their moduli spaces' হায়বসিদা মনাসি পীখিবনি।

মেরিএম মির্জাখানি কুমজা ১৯৭৭ কী মে ৩ দা ইরানগী টেহরান্দা পোকখি। অঙাং ওইরিঙৈদগী অইবী অমা ওইনীংলকখি। মহাক অঙ্কদা থোইদোকপা লৌশিং জ্ঞান লৈরকখিদে। মহাক্কী স্কুল মতমগী খ্বাইদগী পামজবা অহাংবা মতম লেনবদি অফংবা লাইরিক অমা হেক্তা পাবনি। অসুম্না ৱারী মপূম (নোভেল) য়াম্না পারকখি। মহাক্লা তল্লকখিবা স্কুল তাবা লম্বীদা লাইরিক য়োনবা দুকান য়াম্না লৈরম্মী, অদুবু মহাক্তি ময়াম্না তৌনবগুম লাইরিকশিংদু ফাক্তোক্তুনা হায়ফেৎ-শাফেৎ পারল্লগা থল্লম্বা মীদাদু নত্তে। মদুগী অথিংবসু মতমদুদা লৈরম্মী। অদুনা লাইরিকশিংদু হেক ঙমজবীদা লৈরগা পাবী জাৎনি, শম্না হায়রগা ময়াম্না লাইচুবা হায়নবদুনি। অদুবু মীওইবগী অনীংবা অপাম্বসি মতমগী ঈচেল তুংইন্না হোংলকপা য়াওই। নোংদম্বগী অনীংবা তুংইন্না মির্জাখানি অঙ্কদা পূক্নিং লুপশিল্লকখি।

মির্জাখানিনা ইলিমেন্টরি স্কুল লোইশিল্লকপসি য়াম্নমক মরুওই। মতমদু ইরান-ইরাক্কী লান লোইশিল্লকপগী পুংফমনি। অদুনা মহৈ তম্নিংবা মহৈরোয়শিংগীদি য়াম্নমক লাইবক ফবা মতাং ওইখি। অনৌবা খুদোংচাবা কয়া নুপী মহৈরোয়শিংদা পীনরকখি। মহাক নুপীশিংগী মিং চন্নবগী চাংয়েংদা মায় পাক্তুনা তেহরানগী মমিং লৈরবা ফর্জানেগন মিদল স্কুলদা মখা তমথনবগী খুদোংচাবা ফংলে। স্কুলসি অফবা স্কুলনি। অনৌবা স্কুলসিদা হেক চঙলকপগা চয়োল অমগী মনুংদা মপুন্সি চুপ্পগী মরুপ অমা ফংজবা ঙমখি। মহাক্তো অতৈ কনাসু নত্তে - হৌজিক হৌজিকমক ৱাশিংটন য়ুনিভর্সিটিদা অঙ্কগী প্রোফেসর ওইরিবী রোয়া বেহেষ্টিনি। মখোয় অনীসিনি লাইরিক য়োনবা দুকানশিংদগী মশীং থিঙমদবা লাইরিকশিং লৈখিবদু। মখোয় অনীগী মরীদু 'এ ফ্রেন্দ ইন নিদ ইজ এ ফ্রেন্দ ইন্দিদ' হায়বদু ওইখি।

ফর্জানেগন্দা অহানবা চঙলকপা চহীদু মহাক অঙ্কদা য়াম্না শোনখি। মহাক্কী অঙ্কগী ওজাদুনা মহাকপু করম্না মিং চন্নবা চাংয়েংদা মায় পাক্লক্লিবনো হায়না হংখি। মসিনা মহাক্কী মশানা মশাবু থাজবগী শক্তি হন্থহনখি। মহাক্লা হায়রম্মী, 'ঐগী অঙ্কদা লৈরম্বা অপাম্বা পূম্নমক মাঙখি।' মতাংসি ঐখোয়না মরুওইনা লৌগদবনি। মরমদি অঙ্ক হৈনরমদবা অমনা করম্না অঙ্কগী নোবেল প্রাইজ ফংলকখি। মহাকপু সাইন্সতা হৈনহল্লকখিবসি মহাক্কী মবুংনি হায়না 'দ গার্জিয়ন' গা উনবা অমদা মহাক্লা ফোঙদোকখি। মবুংনা নুতি নুমিৎ খুদিংগী স্কুলদা ওজাশিংনা তাক্লকপদু মঙোন্দা ৱারী ওইনা লীবি। নোংমা মবুংনা ১ দগী ১০০ ফাওবা তিনশিনবগী ফল কয়া ওইগদগে হায়না হংখি। পাউখুমদু খঙদ্রগসু, হোৎলিবা মেথদতুদা মহাক পেনবা পোকখি। অতোপ্পা অমরোমদনা মহৈরোয়শিংবু য়াম্না পূক্নিং থৌগৎপীবা অঙ্কগী ওজা অমসু লাকখি। অসুম্না অনীশুবা চহীদগীদি মহাক অঙ্কগী অতিয়াদা থোকপা থৱান্মীচাক অমা ওইরকখি।

কুমজা ১৯৯৪, মশাগী চহী ১৭ খক্তা ঙাইরিঙৈদা ইন্টরনেসনল মেথমেটিকেল ওলেম্পিয়দতা ইরানগী ইহান হানবী নুপী অমা ওইনা সনাগী তকমান লৌবা ঙমখি। ওল্লকপা চহীদসু অমুক হন্না সনাগী তকমান লৌখি। অসুম্না অঙ্কদা য়াম্না হেন্না খোয়দাবা হৌরক্তুনা অনৌবা অঙ্কগী ৱাহং কয়াগী পাউখুম পীনবা হোৎনরকখি। মতমসিদা মখোয়গী স্কুলগী প্রিন্সিপলনা মখোয়গুম্বা অফবা মহৈরোয়শিংগীদমক অঙ্কগী অখন্নবা ক্লাসশিং নুপাশিংগী স্কুলদা তৌবগুম্না চত্থহনখি। কুমজা ১৯৯৯ দা মহাক তেহরানগী শরিফ য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্নোলোজিদা অন্দর গ্রেজুয়েটকীদমক লাক্লে। অন্দর গ্রেজুয়েট লোইশিল্লবা তুংদা হরভর্দ য়ুনিভর্সিটিদা গ্রেজুয়েট তল্লে। মফমসিদা মহাক্লা কুমজা ১৯৯৮ দা ফিল্ডস মেদল ফংখ্রবা কর্টিস মেকমুলেনগী সেমিনার কয়ামুক তাখি। অন্দর গ্রেজুয়েটতা মহাক্লা মপূং ওইনা নৈনরকখিবসি কম্পিনোট্রিক্স অমসুং অলজেব্রাদা ওইবনা, হায়পরবোলিক জিওমেট্রিগী মরমদা মেকমুলেন্না ঙাঙবদু অহানবদা মহাক লৌশিনবা ইঙম ঙমখিদে, অদুবু সবজেক্টসিগী ফজবদুনদি মহাকপু ঙাওহনখি। মেকমুলেন্দা মরী লৈনবা ৱাহং কয়া হংবদগী হায়পরবোলিক জিওমেট্রিগী মতাংদা মহাক খুমাঙ চাউশিল্লকখি। মেকমুলেন্না পূক্নিং থৌগৎপীবদুনা অচৌবা ইনোৎ অমসু হাপখি। কুমজা ২০০৪ দা কর্টিস মেকমুলেনগী লমজিং মখাদা মহাক দোক্তরেট দিগ্রী ফংখি।

অলবর্ট আইনষ্টাইন্না হায়রম্মী, 'কল্পনা (ইমাজিনেসন) হায়বসি লৌশিং জ্ঞান্দগী হেন্না মরু ওই।' মেরিএম মির্জাখানিগী কল্পনাগী শক্তিসি অঙকপনি হায়না মেকমুলেন্না ফোঙদোকই। 'মহাক্লা ঐগী ওফিসতা অনৌবা ৱাহং কয়া পুদুনা লাকই অদুগা মহাক্কী কল্পনাগী শক্তিনা মখোয়দু হোৎলবা তুংদা ঐঙোন্দা ওনশিন্দুনা হংলক্কনি, 'মসিবু চুমদব্রনে?' মহাক্লা খল্লিবদি পাউখুম লোয়নমক ঐনা খঙলমগনি হায়বসিনি।''

মহাক 'স্লো এন্দ ষ্টেদি' দা চেৎনা থাজবা মীনি, হাথু-হাথুদে, ঈং-তপ্পী অমসুং ৱা তপ্পা ঙাঙই অদুগা পূক্নিং লৈতানা অঙ্ক হোৎলি। মহাক্কী অসিগুম্বা লমচৎসি মহাক্কী মপুরোইবা ওইরকখিবা, মতমদুদা এম আই টিগী গ্রেজুয়েট মহৈরোয় ওইখিবা, হৌজিক্লা আই বি এম অল্মাদেন রিছার্স সেন্টরদা কম্প্যুটরগী থিওরেটিকেল কম্প্যুটর সাইন্টিষ্ট ওইরিবা জন ভোন্দ্রাকনা নোংমা লমজেল চেনমিন্নবদা খঙবা ঙমখি। জন্না হায়, ''মহাক্তি শোল্লি, অদুগা ঐদি হকচাং ফৈ, অদুনা ঐনা ইরায় লায়না ঙমগনি। অহানবদদি ঐনা য়াম্না মাঙজিল থানা চেল্লম্মী, অদুবু মহাক্কী খোঙথাং তপথরমদে। পুঙ্খায় অমগী মতুংদদি ঐদি চেনবা ঙমদ্রে অদুবু মাদি অদুম লেপ্তুনা হান্নগুম চেল্লম্মী।''

ষ্টানফোর্দ য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর ওইরম্বী মেরিএম মির্জাখানি কুমজা ২০১৩ দা খোমগী কেন্সর নারে হায়বা খঙলকখি। চহী মরিগী মতুংদা কেন্সরসিনা শরুগী বোন মেরো লানশিল্লক্তুনা অকনবা চৈথেং পীরকপদগী হৌখিবা জুলাইগী ১৫, মশাগী চহী ৪০ শুরকপদা তাইবঙপান থাদোকখ্রে। মহাক্কী মপুরোইবা অমদি মচানুপী অনাহিতা হিংহৌরি, অদুগা তেংথারি মালেমথক্তা ঙান্থোইরিবা অঙ্কগী লৈকোলসিদা হিংমিন্নরিবা উপাল-ৱাপাল, উচেক-ৱায়াশিংগা। অদুবু চেক্লা অমা পাইখিনি চেক্লা অমা পাইশিল্লক্কনি, লৈরাং অমা খুইখিনি লৈরাং অমা শাৎলগনি লৈকোলসিদা।